# মেদিসন কিজনা এগোন ক্লাসিক, কারোলিন অমদি অনাষ্টাসিজনা মাল্লোরকা ওপনগী ফাইনেল চঙখ্রে





বিরমিনঘাম/মাল্লোরকা, জুন ১৯ ঃ

মেদিসন কিজনা মফম অসিদা চথুরিবা এগোন ক্লাসিক্কী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা কার্লা সৌরেজ নবারোবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাং চাউশিনখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা নুপীগী রেঙ্কিংগী টোপ টেনগী মনুং চনবসু ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২১ শুরবী অমেরিকাগী কিজনা গ্রাস কোর্টতা মহাক্কী মশক থোকপা পার্ফোমেন্স উৎখিদুনা ১৫ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা স্পানিয়ার্দপু ৩-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৩) তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল মেচকীদমক খুমাং চাউশিনখি।

মহাক্না ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অসিনা হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ১৬ তা লৈরম্বা অদু টোপ টেনগী মনুংদা চনবা ঙমখি। অনৌবা রেঙ্কিং অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রিলিজ তৌরগনি হায়রি।

ঐহাক টোপ টেনগী রেঙ্কিং মনুংদা চল্লগনি হায়বসি কোচনা হায়বদগী খঙই। অদুবু ঐনা থোইদোকপা টোপ টেনগী মনুংদা চঙলকপগী অকুপ্পা মরোলদি খঙবা লৈতে। ঐহাক্না চথুরিবা ওপন অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অসিখক্তংদি খঙই হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

কুমজা ১৯৯৯ দা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা টোপ টেনগী মনুংদা চনখিবা অদুগী মতুং কিজনা অহানবা ওইনা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্বা অমেরিকান ওইখ্রে। অদুগা কুমজা ২০০৫ গী মতুংদা অহানবা ওইনা য়ু এসকী নুপী অহুমনা টোপ টেন্দা চনবা ঙম্বসু ওইরে।

সেরেনানা হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ডগী রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈদুনা নম্বর ৱান ওইনা লৈরি। অদুগা মহাক্কী মচে ভেনস ৱিল্লিয়মসনা ৱর্ল্ডগী মাপনশুবা রেঙ্কতা লৈরি।

কিজ থারগা টোপ টেনগী মনুংদা লৈবা অমেরিকাগী অহুমশুবা নুপী ওইরে। কিজনা সৌরেজ নবারোগা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অনফোর্স ইরর খরসু তৌখি।

কিজনা মেচ অদুদা মতম চানা মহাক্কী শুটশিং পীখিদুনা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টপু হেক হেক থকৎহনখি। অদুবু অহানবা সেটতদি কিজবু তরুকশুবা সীদেদ স্পানিয়ার্দ অসিনা ৩-৬ তা মায়থীবা পীখি।

মখা তারকপা অনীশুবা সেটতা ৬-৩ দা মায় পাক্না চৎখি অমদি অহুমশুবা সেটতা কিজনা ৪-২ দা মাঙজিল থাখি। সৌরেজনা কিজগী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নরকখিদুনা সেট অদু টাইব্রেক্তা পুরকখি অমদি কিজনা সেট অদু দোমিনেট তৌখিদুনা ৭-৬ (৩) তা মায়থীবা পীখি।

কিজনা ফাইনেলদা ৩০ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা চেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোবাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। চেক অসিনা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কোকো বানৱেঘেবু ২-৬, ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাং চাউশিনখিবনি।

মহাক্না মসিগী ফাইনেল অসি থারগা চহী অহুম অসিদা মহাক্কী ফাইনেল চঙবা অনীরকশুবসু ওইখি।

অমরোমদা মাল্লোরকাদা থাংজ নুমিৎতা চথুখিবা মাল্লোরকা ওপনগী সেমী ফাইনেল মেচতা তরুকশুবা সীদেদ কারোলিন গার্সিয়ানা বেলজিয়মগী কিরষ্টেন ফিলিপকেন্সপু ৬-৪, ৪-৬, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা গ্রাসকোটকী ফাইনেল চঙখি।

ফ্রেঞ্চকী তরুকশুবা সীদেদ কারোলিন গার্সিয়ানা ফিলিপকেন্সকা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা এস তরেৎ কনখি। অমদি অহানবা সার্ভিস পোইন্ট চাদা ৮৪ মায় পাকখি। ফিলিপকেন্সনা কুমজা ২০১৩ গী ৱিমব্লেদনগী সেমী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবনি। মাল্লোরকা ওপনগী ফাইনেলদা গার্সিয়ানা লাটবিয়াগী অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবাগা মায়োক্নদুনা শান্নরগনি।

অতোপ্পা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ অমদা অনাষ্টাসিজা সেবাষ্টোবানা সেকেন্দ সীদেদ জেলেনা জানকোবিকপু ৪-৬, ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

গ্রেসিয়ানা মমাঙগী চয়োলদা চহী অসিগী মহাক্কী অহানবা টাইটল ওইনা ক্লেকোর্টতা ষ্ট্রাসবোর্গকী টাইটল লৌখি। অদুগা কিরষ্টিনা মালাদেনোবিক্কা জুরা শেমদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী দবল টাইটল লৌখি।

সেবাষ্টোবানা কুমজা ২০১০ দা মহাক্কী অহানবা ওইনা মাল্লোরকা ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# অর্জেন্টিনানা ভেনেজ্বেলাবু, চিলিনা মেক্সিকোবু মায়থীবা পীদুনা কোপা অমেরিকাগী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



মসাওচেট্ট, জুন ১৯ ঃ

লিওনেল মেসিনা রেকোর্দ ওইনা মহাক্কী ৫৪ শুবা ইন্টরনেসনল গোল চনখিদুনা অর্জেন্টিনানা মফম অসিদা চথুরিবা কোপা অমেরিকা সেন্টেনরিওগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ভেনেজ্বেলাবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাং চাউশিনখি।

অমরোমদা কোপা অমেরিকাগী অতোপ্পা মেচ অমদা ইদুঅদো বরগাসনা গোল মরি চনখিদুনা হোলদর চিলিনা মেক্সিকোবু ৭-০ মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

অর্জেন্টিনা অমদি ভেনেজ্বেলা অনীগী মেচ অদুদা অর্জেন্টিনাগী বার্সেলোনাগী সুপর ষ্টার অসিনা টুর্নামেন্ট অসিদা মহাক্কী মরিশুবা গোল অদু মেচকী ৬০ চৎপা মতমদা জিলেট ষ্টেদিয়মদা চনখিদুনা গার্বেল বাটিষ্টুটানা মতম শাংনা অর্জেন্টিনাগী ইন্টরনেসনল গোল স্কোরিংগী রেকোর্দ থমখিবা অদুগা মান্নবা ঙমখি।

মেচ অদুদা গোল অনী চনবা ঙমখিবা গোঞ্জালো হিগুইনগী গোলশিং অদু মেসিনা মতেং পাঙদুনা চনখি। অমদি সেকেন্দ হাফতা সবষ্টিট্যুট ওইনা চঙলকখিবা ইরিক লামেলানা গোল অমগা চনশিন্দুনা অর্জেন্টিনাবু সেমী ফাইনেলগীদমক খোঙ থাংজিনখি।

লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাওসটোন্দা পাঙথোক্কদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচতা অর্জেন্টিনানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

টিম অনীগী মেচ অদুদা অর্জেন্টিনানা অহেনবা মতিং ফুদোক্তুনা শান্নরকখি। মখোয়না ভেনেজ্বেলাগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং লৌখি অদুবু মখোয়গী গোল এটেম্পতা পাক হেক গোল চনবদি ফংখিদে।

অর্জেন্টিনাগী অহানবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৮ চৎপা মতমদা হিগুইননা মেসিদগী লাকখিবা বোল অমা ওক্লগা মায়োক্নখিবা টিমগী মায়কৈদা কাওশিনখিদুনা গোল ওন্থোকখি। নাপোলিগী ফোরৱার্দ হিগুইননা য়াম্না ইচং থৌনা মেচ অদুদা শান্নরকখি। মহাক্না ভেনেজ্বেলাগী গোলকিপর দানি হরনান্দেজবু অঙকপা পোকহন্দুনা অহানবা গোল অদু চনখিবনি।

হরনান্দেজবু অমুকসু হন্না নমহৎলম্লগা হিগুইননা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।


মখা তানা শান্নরকখিবা মেচ অদুদা মেসি অমদি ইরিক লামেলানা গোল অনী চনশিন্দুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা চিল্লি অমদি মেক্সিকো অনীগী মেচ অদুদা ইদুআর্দো বর্গাসকী গোল ৪ য়াওনা গোল ৭-০ দা মেক্সিকোবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখি।

বর্গাসনা মহাক্কী মরিশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৭৪ চৎপা মতমদা চনশিন্দুনা চিল্লিনা ৭-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। চিল্লিগী ইদসোন পুচনা তরেৎশুবা গোল অদু মেচকী ৮৮ চৎপা মতমদা চনশিনখি।

অর্সনেলগী ষ্টার এলেক্সিস সাঞ্চেজনা মেচকী মিনিট ৪৯ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিন্দুনা চিল্লিনা ৩-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তারকপদা বর্গাসনা মেচকী মিনিট ৫২ অমদি ৫৭ চৎপদা গোল অনী অমগসু চনখিদুনা ৭-০ দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

# এন্দি মরে-মিলোস রাওনিকনা ক্লুইন্সকী ফাইনেলদা শান্নরগনি জভেরেভনা ফেদররবু গেরিৱেভর ওপনদা মায়থীবা পীখ্রে





লন্দন/হোলে, জুন ১৯ ঃ

এন্দি মরেনা মফম অসিদা চথুরিবা ক্লুইন্স ক্লবকী সেমী ফাইনেল মেচতা মারিন সিলিকপু ৬-৩, ৪-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মঙারকশুবা ক্লব অসিগী টাইটল লৌননবগী খোঙফম হেন্না চেৎশিলহনখ্রে।

এন্দি মরেনা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা সিলিকপু অহানবা অমদি অনীশুবা সেটতা মায়থীবা পীখ্রবসু অনীশুবা সেটতি মায়থীবা পীবা ঙমখিদে। সিলিকনা অনীশুবা সেট অদু ৬-৪ দা মায় পাকখি।

ক্লুইন্স ক্লবকী ফাইনেলদা মরেনা মিলোস রাওনিক্কা লম্বা তৌদুনা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নরগনি। অহুমশুবা সীদেদ কনাদিয়ন অসিনা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী বর্নারদ টোমিকপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলগীদমক খুমাং চাউশিল্লকখিবনি।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা স্কোট অসিনা ৱিমব্লেদন হৌগদবা চয়োল অমখক্তা ঙাইরক্লবা তাঞ্জাদা হৌজিক চথুরিবা ক্লুইন্স ক্লব গ্রাস কোর্ট অসিগী টাইটল লৌননবা অশানবা মীৎয়েং থল্লিবনি।

অমরোমদা, হোলেদা চথুরিবা গেরিৱেবর ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রোজর ফেদররবু জর্মনগী নৌনা ইনখৎলক্লিবা অলেজেন্দর জেভরেভকী মখুৎতা মায়থীহৌখি।

জেভরেভনা মেচ অদুদা টোপ সীদেদ অমদি নিপাল্লক দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইখ্রবা ফেদররবু ৭-৬ (৪), ৫-৭, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা চহী অসিগী ফাইনেল চঙবা ওইখি। জেভরেভনা ফাইনেল মেচতা ফ্লোরিয়েন ময়রগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা ফ্লোরিয়েন ময়রনা অহুমশুবা সীদেদ দোমিনিক থিয়েমবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেলদা খুমাং চাউশিল্লকখিবনি।

গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৭ লক লৌখ্রবা ফেদররনা চহী অসিদা মখুঁউদা সর্জরি তৌখিবা অমদি নঙ্গলদা অনাবা লৈখিবদগী ফ্রেঞ্চ ওপনদা শান্নবা ঙমখিদবদা নত্তনা অতোপ্পা টুর্নামেন্টকী টাইটল অমা ফাওবা লৌবা ঙমদনা লাকখি। মশাগী চহী ১৯ শুরবা জেভরেভনা অঙাং ওইরিঙৈ চহী ১ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ফেদররদি টুর তৌদুনা মশাগী দেবু শেমখ্রবনি।

# অয়েংবা মীয়াম্না ঈরাং থোকহল্লি হায়দুনা হঙ্গেরি, বেলজিয়ম, পোর্টুগলদা য়ু ঈ এফ এনা চার্জ তৌখ্রে



পেরিস, জুন ১৯ ঃ মফম অসিদা চথুরিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপকী মেচশিংদা অয়েংবা মীয়াম্না ঈরাং থোকহল্লি হায়দুনা হঙ্গেরি, বেলজিয়ম অমদি পোর্টুগলগী মথক্তা য়ু ঈ এফ এনা দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং লৌখৎলে হায়না গভর্নিং বোদি অসিনা থোকখিবা চেরোল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু ঈ এফ এগী কন্ট্রোল, ইথিক্স অমদি দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা হঙ্গেরিয়নগী ফেদরেসন্দা মখোয়গী ফেনশিংনা মৈ থাবা, শোকপা পনবা য়াবা পোৎলমশিং লংবা অমদি মীয়ামদা অপনবা পী হায়দুনা চার্জ তৌখি।

রোইটরগী মীৎনা উবা পাউদমদা হঙ্গেরি অমদি আইসলেন্দ অনীনা শান্নখিবা মেচতা ১-১ দ্রো চৎখিবা অদুদা পুলিসনা ষ্টেনশিংদা চঙদুনা ঈরাং থোকপদগী ঙাকথোক্লনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি হায়রি।

রিপোর্ট অদুনা হায়, আইসলেন্দগী প্লেয়র অমা মীয়াম মরক্তগী লংশিল্লকখিবা পোৎলম অমনা পানখি। শোকপা পনবা য়াবা পোৎলম লংশিল্লকখিবা অদু গেলফি সিগৌর্দসননা পেনালটি কাওদুনা গোল চনখিবগী নুংঙাইবা ফোঙদোরকপা তাঞ্জাদনি। দিসিপ্লিনরি প্রোসিদিং অসি বেলজিয়নগী এফ এদসু লৌখৎখি। বেলজিয়নগী ফেনশিংনা বোর্দুক্সতা শান্নখিবা মেচতা বেলজিয়মনা আইৱলেন্দবু ৩-০ দা মায়থীবা পীখিবা অদুদা বক্সুলাশিং থাবা অমদি শোকপা পনবা য়াবা পোৎলমশিং লংশিল্লকখিবনি। পোর্টুগালদসু চার্জ অসিমক্কা চপ মান্নবা প্রোসিদিংস লৌখৎখি।

# ‘ইন্দিয়াগী লাক্কদবা নুপী বোক্সরশিংগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি’



ন্যু দিল্লি, জুন ১৯ ঃ

মহাক্কী বেল্ট মখাদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল মঙারক লৌখ্রবা নুপীগী বোক্সিংগী লেজেন্দশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এম সী মেরি কোমনা লাক্লিবা মথংগী জেনরেসনদা থোক্লক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সরশিং মতিং থোকপা কয়া য়াওরক্লরোই হায়বগী থাজবা থমখ্রে।

শক্লাইরবী বোক্সর মেরি কোমনা হায়খি, ইন্দিয়াদা কম্পিটিসন মশিং য়াম্না পাঙথোক্তে। নেসনেলশিংসু মওং তানা শিনবা তৌদে। হৌখিবা চহী অনী অহুম অসিদা নেসনেল লেবেলগী থাক্তা কম্পিটিসন অমত্তা পাঙথোক্তনা লাক্লি। লৈবাক অসিদা অতেনবা মতমগী মনুংদা লৈবাক অসিগী নুপী বোক্সরশিংনা ইন্টরনেসনেল লেবেলদা মশক থোক্না লিখৎলক্কনি হায়বসি ঐনা উবা ফংদে হায়খি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা নুপী বোক্সিংগী থাক অসি তশেংনা হেঙ্গৎলকখ্রে অমদি ইনখৎলক্লিবা অমসুং নহা ওইরিবা বোক্সরশিং অফবা ট্রেনিং পীবা তঙাইফদে হায়না মেরি কোমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চহী অসিগী মে থাদা কজাখষ্টানগী অষ্টানাদা পাঙথোকখিবা আইবা ৱিমেন’স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা রাউন্দদা মেরি কোমনা মায়থিহৌখিবদগী ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী থল্লকখিবা পান্দম অদুদা চাউনা নীংহন্নবা পোকহনখিবনি। অদুবু হৌজিক ইন্দিয়াদা মশান্না অসিবু য়েংশিনবগী থৌ পুরিবা এদহোক কম্মিটিনা লন্দন ওলেম্পিক্সকী মেদলিষ্ট মেরি কোমবু রিও ওলেম্পিক্সতা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি পীবীনবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা)দা হায়জখিবনি।

মেরি কোমনা অনীরকশুবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংনবগীদমক থৌনীজবগা লোয়ননা করিগুম্বা মহাকপু রিও দি জানৈরোদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরবদি মেদল অমদি শোয়দনা লৌবা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লিবনি।

মেরি কোমনা হায়, ঐহাক্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা মায়থিহৌখিবা অদুদা তশেংনা নীংবা কায়খি। কম্পিটিসন অসি হৌজিক নোংম-নোংমগী লুবা হেঙ্গৎলক্লি। ঐনা ঐগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী অফবরোমদা থবক্তা ওন্থোক্ল বা হোৎনরি। লাইবক থীবনা হৌজিক ফাওবা ঐহাক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ঐহাকপু লেপ্পা লৈতনা শৌগৎপীরি অমদি মখোয়না থৌনিজরিবা অদুগী মমল লেম্না মাঙবা তৌরোই, শোয়দনা মহয় ফংগনি। এদহোক কম্মিটিনা আইবাদা চেরোল থাখ্রে। মসিদা করি করম্বা পাউখুম লাকপগে হায়বদু য়েংসি। ঐহাক মসিদা চাউনা থাজবা লৈ হায়না মখা তানা মেরিনা হায়খি।

করিগুম্বা ঐনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা ফংলবদি ঐহাক্না শুংশোয় শোয়দনা মেদল অমদি শুংশোই শোইদনা ফংনবগী চাউরবা খুদোংচাবসু লৈগনি। ঐহাক য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ট্রেন তৌরি অমদি ঐহাক হৌজিক অফবা শবানদা লৈরে। ঐহাক ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতদি লাইবক ফবা হায়বদু ওইখিদে। ঐনা মদুগী বাউট অদু মায় পাক্নম্লবদি হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসি থোক্লম্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

ইন্দিয়াগী নেসনল বোক্সিং ফেদরেসন অসি ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন্না অথিংবা থমখিবদগী লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১২ দগী হৌনা মশান্না অসিদা চয়েৎনবা ফীভমদা লাক্লি অমদি হায়রিবা মতম অদুদগী হৌনা ইন্দিয়ন এমেচর বোক্সিং ফেদরেসন (আই এ বি এফ) অমদি বোক্সিং ইন্দিয়া (বি আই) বু সস্পেন্দ তৌখিবদগী অনী অসিনা অকনবা মওংদা মুক্নদুনা অমনা অমবু হুন্নদুনা লাকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা নুপীগী বোক্সিং অসি অহানবা ওইনা হাপচিনখিবদগী মেরি কোমনা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবী নুপী বোক্সর ওইনা শরুক য়াখি অমদি মহাক্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা পুৱারী অমা শেমখিবনি।

# অথিংবগী মায়োক্তা শরাপোভানা সি এ এসতা ৱাকৎখ্রে



মোস্কো, জুন ১৯ ঃ

রসিয়াগী টেনিস ষ্টার মারিয়া শরাপোভাবু অথিংবা থমখ্রবা দ্রগ মেলদোনিয়ম পোজিটিব ওইরম্বদগী ইন্টরনেসনেল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না চহী অনীগী অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা টেনিস ষ্টার অসিনা কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) তা ৱাকৎলক্নে হায়না কোর্ট অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াখিবা শরাপোভানা মেলদোনিয়ম পোজিটিব ওইবা হায়বা খঙলকখিবদগী ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) না শারাপোভাবু মমাঙ চয়োলদা চহী অনীগী অথিংবা থমখি অমদি অথিংবা অদু চহী অসিগী জন্যুৱারি ২৬ তগী চৎনগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মালেমগী খ্বাইদগী শেল য়াম্না তানবী নুপী শান্নরোয় ওইরম্বী মশাগী চহী ২৯ শুরবী শরাপোভানা মহাক্কী অপিল অদুদা মহাকপু চহী অনী অথিংবা থম্নবা আই টি এফকী ট্রাইবুনেল কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপ অদু হন্দোকহনবা নৎত্রগা অথিংবা অদু মতম তেনশিলহন্নবা হায়জরকখি। হায়রিবা হীরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ অমা মথং থাগী ১৮ ফাওবদা লৌরগনি হায়না কোর্ট ওফ আবিষ্ট্রেসন ফোর স্পোর্টকী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা শরাপোভাগী অথিংবা অসি লৌথোক্ত্রবদি গ্রান্দ স্লাম মঙারক চেম্পিয়ন ওইখ্রবী রসিয়ন অসিনা চহী অসিগী ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ফংলরোই।

ইন্টরনেসনল টেনিস ফেদরেসন (আই টি এফ) গী ট্রাইবুনেল কম্মিটিনা মহাক্না মেলদোনিয়মবু মহাক্কী হকশেলগা মরী লৈননা শীজিন্নদুনা লাকখিবনি হায়বা খঙনা খঙনা মহাকপু চহী অনী অথিংবা থল্লকপা অসি মরম চাদে হায়না ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা অথিংবা অদুগী মায়োক্তা শুংশোয় শোয়দনা ৱাকৎকনি হায়না রসিয়ন অসিনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মেলদোনিয়ম দ্রগ মখল অসি শীজিন্নবনা মীওইবগী হকচাংদা অহেনবা পাঙ্গল থৌনা হাপ্পী হায়না হীরম অসিগী মতাংদা থিজিল্লিবশিংনা খঙহল্লকপদগী ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (দব্লিয়ু এ দি এ) না দ্রগ অসি চহী অসিগী জন্যুৱারি ১ দগী অথিংবা থমখিবনি। দ্রগ অসি শীজিন্নরুরবা মতুং মীওইবগী হকচাংদা কয়াম কুইনা দ্রগ অসিনা লৈবা ঙম্বগে হায়বদু হৌজিকমক্কী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রিবনা চহী অসিগী মার্চ ১ গী মমাঙদা মেলদোনিয়মগী চাং য়ামদনা য়াওবা পোজিটিব ওইরবা এথলেটশিংনা অথিংবা মায়োক্নরদবা য়াই হায়না ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীনা হান্ননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯲꯰꯱꯶-꯱꯷
ADMISSION OPEN for B.Sc Nursing & GNM
2016-17
Offers Govt. Fees only for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Mess Fee : Rs. 1500/- per month
Location : ANDHRA PRADESH (Vijayawada)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus.
(Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8132088772, 9436009556
HL-P/8657/7/06-21/06